HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



পাংশোই অৱাং ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, পার্ট ফোর অৱাং লৈকায় অমসুং ১৯/১গী কোওর্দিনেটিং দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা এম এল এ, এস কুঞ্জকেশ্বরগা খূৎশম্নদুনা অৱাং লৈকায়গী পুখ্রিদা ঙা মচা থাদবা

ইরাবতকী খুদুং ইন্দুনা লৈঙাক্লা থোকহল্লক্লিবা ফত্তবশিং থেংনবগী তাঞ্জা লাক্লে
☛ লামায় ২

টাজমহল য়ৌরুবা ওস্তোকপা নুমিৎ অমা!
লামায় ৪

পন্থৌ শঙলেন লাইপুং হরাওবগী ৮নি চনবদা পাউজেনখ্রে
☛ লামায় ৫

'কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপীয়ু অমদি মখা তানা ফাবীগনু'
☛ লামায় ৬

লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) গী প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ২২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা লৈকোলগী সিনিয়র মেম্বরশিংবু অচম্বা খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা



Vol. 46, Issue No. 188 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 04, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## ইরাবতকী য়েৎকী পাম্বোম ওইখিবা কম্যুনিষ্ট লিদর মোইরাংথেম ইবোহল লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : মীয়াম্না অশন্বীদা 'এম আই' হায়রগসু হেন্না খঙনবা মণিপুরগী লময়ানবা হিজম ইরাবতকা হকথেংনহৌবগী মথক্তা লময়ানবা অসিগী য়েৎকী পাম্বোম ওইরম্বদা নত্তনা রেদ গার্দকী কম্মান্দর ইন-চীফ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

য়ু লিগেলাইজ তৌবগী ৱারেপ চপ চানা থেংননবা শেম শাখ্রে

# ওক্টোবর ১০ ফাওবদা ৱারেপ হন্দোক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎতগী মৈরা পায়বীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : নুপী সমাজ

## 'য়ুরাই চুরবা নহাশিংনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমা ওইগদবগী শরুক শিখিবনা শরুক ১০০ হেন্না ফৈ'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : অদুঙৈ কুমজা ১৯৯১দা মতম অদুগী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর আর কে রনবিরনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মৈরা পায়বী নুপীশিংনা পীখিবা অকনবা প্রেসরদগী মণিপুরদা য়ু পুমথিং থিংবগী টোটেল মণিপুর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ শেমদুনা চৎনরল্লবা মতুংদা এমেন্দমেন্ট অমুক তৌদুনা টুরিষ্টশিংদা কোমথোকপগী ফীভম লৈহল্লুরবা মতুং মমাঙ থাগী ২০দা লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা লিগেলাইজ তৌনবগী ৱারেপ লৌখিবা অদু থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্ত্রবদি মণিপুর পুম্বদা লৈরিবা মৈরা পায়বী লূপশিংনা মথংগী নুমিৎ ওক্টোবর ১১দগী খম থেংনা কনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না নুপী সমাজনা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবদা অয়াবা পীনবগী লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা ওল মণিপুর রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) না লেপ্তুনা



চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংগী মখা তারকপদা ঙসিসু নুপী সমাজনা ময়াং লাংজিং শেমগৎ শাগৎপা নুপী লূপকা খূৎশম্নদুনা ময়াং লাংজিং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী নুপী সমাজগী এদভাইজর কে ইন্দুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা পাউমীশিংদা হায়, মীয়ামগী অপাম পামদা (ৱাখল) খঙদনা লৈঙাক্লা য়ু য়োনবা য়াহল্লগনি হায়দুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২




ফঋ্যাংর স্মাংলর অং/মরোল থোকপা লাই

লোরহো এস ফোজে

## এম পি ওইববু চৎনহনখিদবা ওর্দর চয়োল ২গী 'ইন্টরিম ষ্টে' পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) :

কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা নম্বর ২-আউটর মণিপুর (এস টি) পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মায় পাক্তুনা এম পি ওইরকখিবা লোরহো এস ফোজেগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০১৯গী মমাঙ থাগী ২৩দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মহাকপু এম পিনি হায়দুনা লাউথোকখিবা রিজল্ট চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা নুমিৎ অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা পীখিবা ৱাফম অসি চয়োল অনীগী ওইনা 'ইন্টরিম ষ্টে' পীখ্রে।



ইলেক্সন পিটিসন অসি মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা হৌলিম সোখোপাও মাতে এলিয়জ বেঞ্জামিন (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ জ ামখোখাই মাতে, তেংনৌপল ভিলেজনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিদা এম পি ওইরকখিবা লোরহো এস ফোজে (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ সিবো ফোজে, কায়িনু ভিলেজ (মাও) না রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরগা মীখল অসিদা মীরেপ ওইখিবা কেনি দদেটশিংসু অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট মঙা ওইনা কোনশিল্লকখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিগী ৱায়েল কুমজা ২০১৯দগী লিশাং শিৎনা চথরক্লবা মতুং হৌখিবা জুলাই ২৬তা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা মমাঙ থাগী ২৩দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

পূন্না লমায় ১৫০ পানবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা লোরহো এস ফোজেবু পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা ২- আউটর মণিপুর (এস টি) পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইলেক্তেদ এম পিনি হায়দুনা লাউথোকখিবা রিজল্ট অদু চৎনহনখিদবনি অদুগা মহাক্কী মায়োক্তা ইলেক্সন পিটিসন ফাইল ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## গভর্ণরগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : থবাক্তা নুংঙাইতবা ফাওরকপদগী থা অসিগী ১দা চেন্নাইগী এম জি এম হোস্পিটালদা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগীসু চার্জ পুরিবা মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসনগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলে হায়রি। অদুমকপু হৌজিকসু মহাক কার্দিয়া ক্যের য়ুনিটতা ডাক্তরশিংনা ওবজার্ভেসন তৌদুনা থম্লিবগা লোয়নননা থা অসিগী ৫দা রেভাসক্যুলরাইজেসনগা লোয়নননা কোরোনরি এঞ্জিওগ্রাম ইন্টরভেন্সন তৌননবা থৌরাংলি হায়রি।

## মেদিসিনগী নোবেল প্রাইজ



স্বিদেন, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী): চৎলিবা চহী ২০২২গী ওইনা মেদিসিনগী নোবেল প্রাইজ স্বিদিস জেনেটিসিষ্ট স্বান্টে পাবোদা পীরগনি হায়না ঙসি কার্লোলিন্সকা ইন্সটিটুটেটতা লৈবা নোবেল এসেম্বল্লিনা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা থোক্তুনা লাউথোকখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

# চহী ২২গী মতুংদা গান্ধী ফেমিলিদগী নত্তবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট লৈরগনি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) গী পুৱারীদা অহানবা ওইনা চহী ২২গী মতুংদা পার্টি অসিবু লুচিংগদবা প্রসিদেন্টগী ফম অসি 'গান্ধী ফেমিলি' দগী নত্তবা মীওই অমনা ওইরগনি।

কোংগ্রেস পার্টিগী খ্বাইদগী ৱাংবা প্রসিদেন্টগী ফম পুননবা মীওই খন্নবগীদমক চথরক্লিবা মীখলগী থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সচি থারুর অমসুং মাল্লিকঅর্জুন খার্গে অনীনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং পীশিন্নখ্রে।

পোষ্ট অসিগীদমক মীরেপ ওইরগদবা সচি থারুর কেরলাগী থিরুভনন্থপুরম কন্সটিট্যুএন্সিদগী এম পি অহুল্লক ওইরক্লবা পার্টিগী মশক নাইবা মীওইনি অদুগা মাল্লিকঅর্জুন খার্গেনা কর্ণাটকাগী গুরবগা এসেম্বল্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী এম এল এ ৯লক ওইরক্লবা পার্টিগী সিনিয়র লিদরনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা আই এন সীগী পার্টি প্রসিদেন্টগী মীখল অসি থা অসিগী ১৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না লেপ্লগা লোয়নননা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী রিজল্টনা থা অসিগী ১৯দা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌরি। করিগুম্বা মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মসিগী রিজল্ট লাউথোক্কদবা নুমিৎ অসিনা অহোংবা লৈত্রবদি চহী ২২গী মতুংদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী লীরবা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অহানবা ওইনা 'গান্ধী ফেমিলি' দগী নত্তবা মীওই অমনা ওইরগনি।



পার্টি প্রসিদেন্টগী ফম অসিগীদমক নোমিনেসন পেপর পীশিল্লক্লবা মতুং পার্টি অসিগী ওইনা লৈজরিবা 'ৱান পর্সন ৱান পোষ্ট' হায়বা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না রাজ্য সভাদা ওপোজিসনগী লিদর ওইরকখিবা মাল্লিকঅর্জুন খার্গে ফম অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা পার্টি অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) না লেপ্পগী মতুংইন্না পার্টিগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখল অসি পার্টি অসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৮না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, শাংলবা চহী ৫০গী মনুংদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টগী ফমগীদমক শুপ্নতগী তাঙ্কক অনীরকখত্তদা মীখল পাঙথোকখিবনি। মীখল অনীদুগী মনুংদা অহানবনা কুমজা ১৯৯৭তা পাঙথোক্লগা অনীশুবা মীখলনা কুমজা ২০০০দা পাঙথোকখিবনি। অকোনবগী মীখল অদুদা হৌজিক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবী সোনিয়া গান্ধীনা মীরেপ ওইদুনা লম্বা তৌনখিবদা জিটিন প্রসাদবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

জিটিন প্রসাদ হায়রিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## চীফ মিনিষ্টরগী তেংবাঙ হায়দুনা লাকখিবদগী গ্রান্ট ফংদ্রে : লৈকোল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী নুপী অইবীশিংগী অপূনলূপ অমা ওইরিবা ক্রাকেথেল মোইরাংপুরেলদা লৈবা লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) অসি ঙসিদগীনা চহী ২১গী মমাঙ কুমজা ২০০১গী ওক্টোবর ৩দা লিংখৎখিবনি। অমসুং ওক্রম ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদগী রেকরিং গ্রান্ট ওইনা লুপা লাখ ১গী শেনফম ফংজরম্মী। হৌজিক্লা চীফ মিনিষ্টরগী তেংবাঙ হায়দুনা লাকখিবদগী ফংদ্রে। অদুবু ফংননবদি হোৎনরি হায়না লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা লৈকোলগী ২২শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং লৈকোলগী সিনিয়র মেম্বরশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

লৈকোলগী প্রসিদেন্টনা হায়, হৌজিক্কী লৈঙাক্লা অইবশিংবু মীরাইবীরি। অইবা য়াওদনা লাইরিক মশক উদনা লাইরিক তম্বা য়াবা নত্তে। পুৱারী লান্না ইবদা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংবদুদি ফংফম থোকই। হৌজিক্তি লাইরিক ফোঙবদা লুপা লাখ ১ রোম চঙলে। অদুগা ফোঙলগসু লৈবীনবা অমদি পাবীনবসু লৈত্রে। রাজা রাম মোহোন রোয়গী লাইরিক লৈবদসু অথিংবা লৈবদগী অইবশিং য়াম্না ৱানরে হায়খি।

লৈকোল অসি লৈখিদ্রবী মহারাজকুমারী এম কে বিনোদিনিনা ফাউন্দর ওইবীরম্বনি। লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) হায়দুনা মমিং থোনখিবসি খাইদেম প্রমোদিনিনা পীবিরকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## কোভিদ-১৯ : এক্টিভ কেস ৯ লৈরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী খ্বাইদগী থেংবা ৱেভ মায়োক্লখ্রবসু মণিপুরদা নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং তপ্পা তপ্পা হন্থরকপগা ইরোয়নন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদদি শুপ্নখত্তগী কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস অমা খক্তমক থেংনখি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিগী এক্টিভ কেস মশীং ৯ লৈরি হায়বগা লোয়নননা নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস অদু ককচীং দিষ্ট্রিক্ততগীনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদে হায়রি। লোয়নননা ঙরাং খত্তদা মীওই ২৩৫দা কোভিদ ভেক্সিনগী দোজশিং কাপথোকখিবগা লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা কাপথোকখিবা অপূনবা দোজ মশীং ৩২,৩৭,৮১৯ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী মশীংনা ১৬,৪৩,৯৭২নি অদুগা অনীশুবা দোজগী মশীংনা ১৩,২৬,৪০৪নি। প্রিকোস্নরি দোজশিংগী মশীংনা ২,৬৭,৪৪৩ শুরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী দিষ্ট্রিক্ট ১০গী সেম্পল ২১৬ টেষ্ট তৌখিবনি। টেষ্ট তৌখিবা সেম্পলশিং অদুদি চান্দেল ২, চুড়াচান্দপুর ৩১, ইম্ফাল ইষ্ট ১৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৪, জিরিবাম ৮৯, ককচীং ৫, সেনাপতি ৫, তেংনৌপল ১, থৌবাল ১০ অমসুং উখ্রুলদগী সেম্পল ৩২নি হায়রি।

অদুম ওইনমক পোজিটিভ কেস অমখক্তমক থেংনখিবনা পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ০.৫ খক্তদা হন্থরক্লে হায়রি।

## অফবা আর্কিটেকচরশিং লৈরবসু মীয়াম্না ৱাখল তাদ্রবদি কান্নরোই : খেমচান্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): ঐখোয়গী য়ূম, লৈকায় অমদি সোসাইটি অমা ফজহনবদা আর্কিটেকচরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না মাহুদ অমসুং আর দি অমসুং পি আরগী মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর আর্কিটেক্স ফোরমনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড আকিটেকচর দে পাঙথোকপগা লোয়নননা মেন্যুএল ওফ আর্কিটেকচরেল প্রাক্টিস হৌদোকখিবা অমসুং 'প্রোটেক্সন ওফ টাইটল এন্দ ষ্টাইল ওফ আর্কিটেক এন্দ আর্কিটেকচরেল ফার্ম' হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ফজবা য়ূম, লৈকায় অমদি সোসাইটি অমা লৈহনবদা আর্কিটেকচরশিংগী ...মখা লামায় ৫ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q: Yoogi wathokna meeyamgi mahousagi punsi kaihangadaba thoudoksing thoktanaba leingakna hotnafam thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lawgi mathakta kanamatana leite haibasi Manipurgi lamhen tuhenba meeoisingna khangfam thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- ননাই য়াকপু অচুম্বা অমুক্তা ঙাওহনবীয়ু প্রভু।



- নঙদি লাইরি প্রভু ঐফাও অচুম্বা ঙাঙদ্রে।

# য়ু লিগেলাইজ তৌবগী মায়োক্তা মফম ৩দা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

## 'হকচাং মাঙগদবা য়ুনা করম্বনো অদুগা হকচাং ফহনগদবা য়ুনা করম্বনো হায়বদু লৈঙাক্লা হ্বাইট পেপর ওইনা পুথোকউ'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা হন্দোকউ হায়না খুরাই কোন্সম লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা কাদা অমদি নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

প্রোটেষ্ট অসিদা শরুক য়াখিবী খুরাই কোন্সম খুন্নাই কনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম থম্বালসনানা হায়, লৈঙাক্লা মণিপুর লিকর




প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ অসি লৌথোকপদা ইমা ইবেলশিং তান্নরমদবা, খঙহল্লমদবা অসি য়ানীংদে। খুন্নাইসিদা য়ু লিগেলাইজ তৌবনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা কয়াম য়াম্না তিঞ্জং কাইজংদবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংখি। লোয়নননা লৈঙাক্লা অফবা য়ু পীথক্কনি হায়রিবসি করিগীনো। তশেংনা হকচাং মাঙগদবা য়ুনা করম্বনো অমদি হকচাংদা কান্নবা য়ুনা করম্বনো হায়বদু মীয়ামগী মমাঙদা হ্বাইট পেপর অমা অথুবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মেদিকেল ওফিসর ১ এক্সিদেন্টদা শিরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): ঙরাং নুমিদাং ১১.৫০ রোম তারকপদা ইম্ফাল পি এসকী মনুং চনবা থাংমৈবন্দ লিলাসিং খোংনাংখোঙগী ত্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা অঙাংবা মচুগী কার (স্বিফ্ট) দল্লিয়ু পি ১৬-ৱাই-৮৫৩৪ এক্সিদেন্ট থোকপদা চান্দেলদা মেদিকেল ওফিসর ওইনা লৈবা ডাক্তর অমা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবগী মমিং অরুনকুমার উসম (৪২) অপোকপা য়ু রামেশ্বর কৌই। থৌদোক অদুদা মহাক শোকপদগী লায়কন্ননবা শীজ হোস্পিটাল তম্না পুরকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্কী হকচাং রিমসকী মোর্চ্যুৱারীদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## এন এস সী এন (কে-ৱাই এ) না ক্লেম তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ৩০গী নুমিদাং পুং ৯ তারমদাইদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসরগী ওফিসতা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লমখিবা থৌদোক অদু এন এস সী এন (কে-য়ুং ওং) গী মায়কৈদগী চথখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে হায়রি।

লালহৌলূপ অসিগী সেপৌমরামথ রিজনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কেলভিন ভেমাইনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লালহৌলূপ অসিগী মায়কৈদগী তপ্পা ঈংনা ৱারী ৱাতাই শানরগা লোইশিনগদবা ৱাফমগী মায়োক্তা থৌওই ৱাওইদবা থৌওংশিং চথরকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

অদুম ওইনমক মীয়াম্না মখোয়দা খুদোংথীবা থৌদোক মায়োক্লরক্কনি হায়বগী মীপাইনীংঙাইদি লৈতে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## পেসেঞ্জর ৫০ রোম পুল্লপ শিরমগদৌরে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুরগী খ্বাইদগী লীরবা হায়ৱেশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল-তমেংলোং (আই টি) রোদতা পেসেঞ্জর ৫০ হেন্না পুবা তামৈগী বস অমা খুদোংথিবা থৌদোক থোক্তুনা বস অসিদা তোংলকখিবা মীওই পূম্নমক শিরমগদৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক আই টি রোদকী জোইন্ট মোনিটরিং দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ...মখা লামায় ৫ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫